

থাংমৈবন্দ এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা গুইগাইলোং কম্যুনিটি হোলদা গুইগাইলোং ভিলেজ ওথোরিটিনা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষনবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকপগী থৌরম

THANKSGIVING
RECEPTION CEREMONY
of SHRI KH. JOYKISAN SINGH
Hon'ble MLA
By Guigailong Village Authority
November, 2021 Venue : Guigailong Community

এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ অমসুং এম এল এ, আর কে ইমোবু দিসক্বালিফাই তৌবীয়ু হায়দুনা স্পিকরদা ৱাকৎ চেরোল পীশিল্লুরবা তুংদা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি এস জিতেননা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা

নম্বোল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেনগী মীৎয়েং মখাদা নাওরেম য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লব অমদি ইবোতোন্বী আই ক্লিনিক বাশিখোংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা ফ্রী আই চেক-অপ কেম্প

ক্ষেত্রিগাও এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ক্ষেত্রি ময়াই লৈকায়দা লৈবা এথলেটিক ব্রদর্স এসোসিএসন (অবা) গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী ইলেক্সন কেম্প্যেন হৌদোকপগী থৌরম

NATIONAL PEOPLE'S PARTY
NPP

ক্লবশিংনা মতিং ফুদোক্লগা থবক তৌরবদি পোলিটিসিয়নশিংনা অচুম্বা কয়াবু নাথৈরগা তৌরিবা থবকশিং তৌবা ঙম্লোই : নন্দো

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): সোসল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এস য়ু সী ও)না শীন্দুনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (সী এম ঐচ টি) কার্দ শাবগী থৌরম অমা টি আর ৱাই এস সী এ ক্লব, খুরাই নিংথৌবুং লৈকায়দা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

A TWO DAY PROGRAMME
CHIEF MINISTER-GI HAKSHELGI TENGBANG
(CMHT)

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (আই ঈ দি য়ু সী ও)গী প্রসিদেন্ট তখেল্লম্বম দ্বিজো মঙাং, সোসল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এস য়ু সী ও)গী এদভাইজর লাইশ্রম বিবেকানন্দ অমসুং টি আর ৱাই এস সী এ ক্লবকী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম জিবন মৈতৈনা ময়াই তাংবলদা লেংশিনখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়খি, লমদমসিগী লোকেল ক্লবশিংনা মতিং ফুদোক্লগা মীয়ামগীদমক থবক তৌরবদি পোলিটিসিয়নশিংনা মীয়ামগী ইনটরেষ্ট শোকপা থবক অমদি অশেংবা অচুম্বা কয়াবু নাথৈরগা তৌরিবা থবকশিং অসি তৌবা ঙম্লোই। মরম অদুনা হৌজিক জেনরেল ইলেক্সন নকশিল্লকপা মতমসিদা ক্লবশিংনা কেন্দিদেটশিংগী ফুরিৎখাউদা য়াওবা অমা ওইনা লৈবগী মহুৎতা কেন্দিদেটশিংনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টকী মায়োক্তা তৌরিবা থবকশিং অদু চুমথোক্লবা মতিং ফুদোক্লা থবক তৌমিন্নরসি। কেন্দিদেট কয়ানা ভোট ফংননবগী, কাননবগীদমক তৌরিবা ফত্তবা থবকশিং অদুদা লোকেল ক্লবশিংগী লুচিংবশিংনা কৈদৌনুংদা য়াওশিনবীরুনু। মদুগুম্বা থবক্তা অমুকোনসু পূক্লিং থৌগৎতে।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, সী এম ঐচ টিগী কার্দশিং অসি ক্লবশিংনা মপুং ওইনা থৌদাং লৌরগা লৈকায় লৈকায়গী ওইনা কার্দ শাবীবগী চাংসি অদুক্কী মতিক নেম্মী। এ সী/এ সীগী এম এল এশিংগী ৱার্করশিংনা নৎত্রগা জিলা পরিষদ মেম্বর, প্রধান, মেম্বর অমদি কাউন্সীল্লরশিংনা মখোয়-মখোয়গা নক্নবা, মখোয়দা ভোট পীখিবা অমদি পীগদবা মীওইশিং য়েংলগা সী এম ঐচ টি কার্দ শাবীবগী থবকসি তৌরক্লগা লাক্লি। শম্না হায়রবদা পোলিটিকেলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা মখোয়গী ভোটকী য়েংলগা অয়াম্বনা থবক তৌদুনা লাক্লি। মরম অসিনা অশেংবা লায়রবা মীওই কয়া অমা সী এম ঐচ টি কার্দ পায়বা ফংদ্রি। অদুগুম্বা লায়রবা ইমুংগী মীওইশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরি।

মীওইবগী পুন্সি অসিদি অনা-অয়েক হায়বসি অদুম লোয়নরগা লৈরগদবনি। অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা লায়রবা মীওইশিংনা থৱায় কন্ননবগীদমক লায়েংবদা লৌ-ইংখোল য়োল্থোক্লবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিদগী খরমখৈদা ওইরবসু কন্ননবগীদমক সী এম ঐচ টিগী কার্দ অসি য়াম্না মরুওইবা খুৎলায় অমনি। ইমুং খূদিংমক্তা অনাবা হায়বসি তোল্লগা লৈরবনি। অদুনা সী এম ঐচ টিগী কার্দ অসি লায়রবা ইমুংশিংগীদি পুন্সিগী অচৌবা চৈশু অমনি অমদি থৱায় কনবদা চাউনা মতেং পাংগদৌরিবনি। অসিগুম্বা ফীভম কয়া অসি মুন্না খঙবদগী সোসল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এস য়ু সী ও)না মীয়ামগী খল্লগা নুমীৎ নীনি চুপ্পা মায়কৈ অসোমগী লায়রবা মীয়ামগীদমক সী এম ঐচ টি কার্দ শাবগী প্রোগ্রাম অমা পায়খৎলক্লিবা অসি অদুক্কী মতিক থাগৎনিংঙাইনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ক্লবশিংনসু এস য়ু সী ওনা পায়খৎপীরিবা থবকশিং অসিগুম্না থবক পায়খৎপীয়ু। অদু ওইরবদি অশেংবা লায়রবা মীয়াম্না সী এম ঐচ টিগী কার্দ অসি পায়বা ফংজগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট বি এল ভর্মনা শঙ্গাখ্রে

Bharathimana Fishermen Development Co-operative Ltd.,
BHARATHIMANACO
Inaugural Function

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): কো-ওপরেসন অমসুং দিভেলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট বি এল ভর্মনা ঙসি ভারতিমানা ফিশরমেন দিভেলপমেন্ট কো-ওপরেটিভ লিমিটেদ ভারতিমানাকোগী ওফিস শঙ্গাখ্রে।

ভারতিমানাকো মণিপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা খাপোৎশংবম গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা কো-ওপরেসন অমসুং দিভেলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট বি এল ভর্মনা চীফ গেষ্ট, ফিশরিজ এন্দ একাটিক রিছোর্সেস, ইভাল্যুএসন, ইকনমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্স, গভর্ণমেন্ট ওফ নাগালেন্দগী এদভাইজর ওইরিবা এম এল এ, এল খুমানা প্রসিদেন্ট, সহাকার ভারতি ওল ইন্দিয়াগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ডা. উদয়জ্যোসি, সহাকার ভারতি ওল ইন্দিয়াগী নেসনল ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি সঞ্জয় পাম্পোর অমসুং নেসনল ফিশরমেন দিভেলপমেন্ট বোর্দ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী গভর্ণিং বোদিগী মেম্বর উমেশ পসপননা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমদি স্পেসল ইনভাইটিজ ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা কো-ওপরেসন অমসুং দিভেলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট বি এল ভর্মনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি নাৎ অমসুং কলচরদা অসুক্কী মতিক ইনাক খুনবা ষ্টেট অমা ওইবদা নত্তনা লম কয়াদসু হেন্না চাউখৎননবা মাঙজিল থাননবা পোটেন্সিএল য়াম্না লৈ। মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং চাউখৎলবদি ইন্দিয়া অসি হেন্না চাউখৎপা লৈবাক অমা শোয়দনা ওইগনি। মরম অদুনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। লমদম অসিগী মীয়াম্নসু হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি লৌদুনা মশা-মশাগী ওইনসু চাউখৎননবা হোৎনবীয়ু। মশা-মশাগী ইমুং অদু চাউখৎলবদি লৈকায়, খুল, দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেট অদু মশানা চাউখৎলকপা তাবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দ্রামা ফেষ্টিভেল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): রূপমহল ঠিএটরনা কুমজা ২০০০দগী হৌনা পাঙথোক্তুনা অমদি লাইওইখ্রবা মেম্বরশিংবু নীংশিংদুনা শীনবা ২১শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিভেল ২০২০-২১ লাক্লিবা দিসেম্বর ২৩দগী হৌদোকচরগনি হায়না রূপমহল ঠিএটরগী সেক্রেটরি ঐচ অচৌবা শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, রূপমহল লিংখৎখিবগী ৭৯শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা হৌদোকচগদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ঠিএটর ওর্গনাইজেসন পুম্নমক্লা শরুক য়াবীয়ু। ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপীগদবা লীলাশিংগী শল্লপ্পা ৱারোল, কাষ্ট এন্দ ক্রেদিট স্ক্রিপ্টকী কোপী অমমম রূপমহল ঠিএটরগী ওফিসতা লাক্লিবা দিসেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা এনরোলমেন্ট ফিগা লোয়ননা পীশিনবীয়ু। নুমীৎ অসিদা কুমজা ২০২০-২১গী পীফম থোকপা হৱাইবম নিলামনি নীংশিং মনা অমসুং মৈত্রম বির মেমোরিএল এৱার্দশিংসু পীথোকচগনি। ঠিএটর এক্টিভিষ্টশিং অমদি মীয়াম্নসু থৌরমসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফেষ্টিভেল ওফ মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিনা নীং-খা তম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগী পাঙথোক্লিবা অজাদি কা অমৃত মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা রাজশ্রি ভগ্যচন্দ্রগী ২২৩ শুবা দেথ এনিভর্সরিগা মরী লৈননা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী, ইম্ফালনা শীন্দুনা লাক্লিবা নবেম্বর ২৪দগী ২৬ ফাওবা ইন্দিয়া পিছ মেমোরিএল, মাইবম লোৎপাচীং নম্বোলদা নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা ফেষ্টিভেল ওফ মণিপুরী দান্স এন্দ ম্যুজিক পাঙথোক্লগনি হায়না জে এন এম দি এগী সেক্সন ওফিসর (এদমিনিষ্ট্রেসন ইন-চার্জ) সী ঐচ নবচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা জে এন এম দি এগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসননা চীফ গেষ্ট, জে এন এম দি এগী দিরেক্টর পি বিলাশনা প্রসিদেন্ট, হৈরোক এ সীগী এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যাম অমসুং জে এন এম দি এগী হান্নগী দিরেক্টর দিলিপ ময়েংবমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

সাইন্স এগজিবিসন অমসুং কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীল (মাষ্টেক), ইম্ফালনা শীন্দুনা য়র ওফ এৱ্যেরনেস ওন সাইন্স এন্দ হেল্থ (ৱাই এ এস ঐচ)কী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২০দগী ২৩ ফাওবা তাকয়েল পাৎতা লৈবা মাষ্টেক কমপ্লেক্সতা স্কুল মহৈরোয়শিংগী ওইবা ষ্টেট লেভেল সাইন্স এগজিবিসন, সোর্ট প্লে কম্পিটিসন, স্পোট পেন্টিং কম্পিটিসন অমদি সাইন্স ক্যুইজনচিংবা পাঙথোক্লগনি হায়না মাষ্টেককী দিরেক্টর ডা. এন দিনচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হায়রিবা কম্পিটিসনশিং অসিদা শরুক য়ানিংবা মহৈরোয়শিংনা মাষ্টেককী ওফিসতগী এন্ট্রি ফোর্ম লৌরবা য়াগনি নৎত্রগা ৱেবসাইট mastec.nic.in দগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। মেনশিল্লবা ফোর্মশিং অদু লাক্লিবা দিসেম্বর ১৫গী মমাঙদা পীশিল্লক্কদবনি। রেজিষ্ট্রেসন ফি লৌরোই। অকুপ্পা মরোলগীদমক মাষ্টেককী ওফিসতা লাক্লগা খঙলবা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা খঙহল্লক্লি।

ফ্রী আই চেক-অপ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএন এস): নম্বোল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেনগী মীৎয়েং মখাদা নাওরেম য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লব অমদি ইবোতোন্বী আই ক্লিনিক বাশিখোংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা শীল্লগা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা নাওরেম হায় স্কুলদা ঙসি নোংমগী ওইবা ফ্রী আই চেক-অপ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু এম এল এ, এন লোকেননা হকথেংননা য়েংশিনখি। লোয়ননা কেম্প অদুদা নাওরেম খুল অমদি অকোয়বদা লৈবা মীওই ২০০ রোম লায়েংখি। হিদাক-লাংথক অমদি আনোকসু লেম্না পীখি।

মীয়ামগী অফবা থবক তৌবদা কম্পিটিসন তৌনসি : এম এল এ জয়কিষন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): থাংমৈবন্দ এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা গুইগাইলোং কম্যুনিটি হোলদা ঙসি গুইগাইলোং ভিলেজ ওথোরিটিনা এ সী অসিগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষনবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখিবদা, পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা ভোট লেপ্পদা কম্পিটিসন তৌনসি হায়রবদি মীয়ামগী অফবা থবক তৌবদা কম্পিটিসন তৌনসি। অপীকপা, লৈবাক মচা তাদবা ৱাখল্লোনসু থাদোক্তুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনবগী ৱাখল্লোন লৈসি।

মহাক্লা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংননবা হোৎনবদা মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা কয়ানা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌদনা লোৎতুনা লৈখিবা কয়া অমা য়াওরি। থাংমৈবন্দ এ সীগী ওইনসু কোভিদকী অকনবা চৈথেং এ সী অসিগী মীয়াম্না ফংলিঙৈদা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা ঈশিং গ্লাস অমফাওবা পীরক্তবশিংনা হৌজিক মীয়ামগী মীহুৎ ওইগনি হায়দুনা মীখল থেংননবা থোরক্লি। মীয়ামগী মীহুৎ হায়বসিদি মতম পুম্নমক্তা মীয়ামগা খুৎশম্নগদবনি। মীয়াম্না অৱাবা তারবা মতমদা অঙম্বা থাক্তা থৌদাং কয়া লৌদুনা থবক তৌগদবনি। মদু নত্তনা মীখল ময়াদা মীরেপ ওইগনি হায়দুনা চোংথোরকপগী মতৌ অমা লাক্লিবসি মীয়াম্না মুখৎসি। লৈবাক অসিগী স্পোর্টসকী পৱার হাউসনি হায়রিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং য়োকখৎতুনা হীরম খূদিংমক্তা মায় পাক্নবা হোৎনসি। থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুংদা লৈরিবা গুইগাইলোং খুলগী অৱাৎ-অপাশিং অথুবা মতমদা থবক ওইনা পায়খৎলগনি।

মীখল ময়া অসিদা মীরেপ ওইগনি হায়দুনা পংথোক্তা থোরক্লিবশিং অসি মীয়াম্না অৱাবা তারবা মতমদনা থিবা খঙদনা ময়ুম-ময়ুমদা মী চঙলক্কনি হায়দুনা গেট ছো লোন্দুনা লৈখিবা কয়া য়াওরি। মরম অদুনা মীয়ামগী থৌগল তশেংনা তৌগে হায়বা খন্দনা মীরেপ ওইগনি হায়দুনা চোংথোরকপা অসিদি ঈকায়বা পোকই। মীখল নকশিল্লক্লবা মতমদা মীয়াম্বু নুংশিবা শাবশিং অসিদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু। অৱাবা তারবা মতমদা লোৎতুনা লৈখ্রগা মীখল ময়াদা খক থোরক্লিবশিং অসি মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, গুইগাইলোং খুলগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লাক্লিবা এসেম্বলী মীখল অসিদা থাংমৈবন্দ এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষনবু মপুং ফানা শৌগৎনবা ৱারেপসু লৌখি।

নুপীলাল নীংশিং লমজেল পাঙথোক্কনি : উনাল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): উরিপোক নুপী অপুনবা লূপ (উনাল)না চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা নুপীলাল নীংশিং লমজেল থৌরম লাক্লিবা দিসেম্বর ১২দা থৌনা ফবী ইমাশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা মরী লৈননা উরিপোক এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা য়ুম পাল্লবী নুপীশিংগী ওইবা নুপীলাল নীংশিং লমজেল পাঙথোক্লগনি হায়না উনালগী পল্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাই ভানুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমজেল অসি কংলাদগী লমথারগা নাওরেমথোংগী ইপাথৌকোক ফাওবা চেনগনি। হায়রিবা নীংশিং লমজেল অসিদা উরিপোক এ সীদা লৈরিবা নুপীশিংনা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা মাঙলমচৎকী থৌনা ফবী ইমাশিংগী খুদুং ইন্দুনা মীপাল তাঙদবা, তংদু লৈতোবা ইরমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দম অমদি ৱাখল্লোনবু শৌগৎপীয়ু। নীংশিং লমজেল অসিদা অথোই-অহেন তারবশিংদা শেলগী মনা পীজগনি। অহানবা মনাদা লুপা লিশিং ৫, অনীশুবা মনাদা লুপা লিশিং ৩ অমসুং অহুমশুবা মনানা লুপা লিশিং ২ পীজগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কন্টেক্ট নম্বর ৮৭৯৪৬৬৬৬০২, ৭০০৫২৩৩১৩৩, ৮২৫৮০০৯৯৭৩, ৯৮৬২১৪৪৬৪৬ অমসুং ৯৩৬৬৪৪৭০৬৩দা পাউফাওরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দ পীনবা খনগলকপদা ফাঞ্জৌবম লনজিৎ য়াওরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দেল্লীনা থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়ামগীদমক শীংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌরিবশিংদা পীবা দিফরেন্ট ফেল্লোশিপ নেসনল এৱার্দ ২০২১ পীননবা খনগৎপদা কৈশামথোং লোংজম লৈরক্তগী ফাঞ্জৌবম লনজিৎ য়াওরক্লে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পল্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফাঞ্জৌবম লনজিৎ মমাঙদা নেসনল এৱার্দ অহুম হায়বদি ডা. বি আর অম্বেদকর নেসনল এৱার্দ, ইন্দিয়ন য়ং ষ্টার এৱার্দ অমদি বাবু জগ জিবন রাম নেসনল সমানপদক (সোসল এক্টিভিটিজকী লমদা) ফংখ্রে। হৌজিক হৌজিক সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর, অইবশিংগী লূপ (এ এস এল)গী সেক্রেটরি, এন আর মীদিয়াগী এদভাইজর, ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট ৱেলফ্যের এসোসিএসন অমদি লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমগী মীদিয়া এদভাইজর ওইনসু থৌ পুরি। এৱার্দ অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ১১ অমসুং ১২দা ন্যু দেল্লীগী পন্সিল আশ্রমদা পাঙথোক্কদবা ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমীগী ৩৭ শুবা নেসনল কনফরেন্সতা লান্থোক্কনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

সংস্কার ভারতি মণিপুরগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ইরিলবুংদা লৈবা হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী শঙলেনদা সংস্কার ভারতি মণিপুর প্রান্টকী এ জি এম পাঙথোকখ্রে। চহীগী ওইবা মীফম অসিদা সেন্ট্রেল ওফিস সংস্কার ভারতিকী অশোক টিৱারিনা ওবজার্ভর ওইনা শরুক য়াখি হায়না সংস্কার ভারতি মণিপুরগী পল্লিসিটি সেক্রেটরি বেদপতি পাওনমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফম অসিনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিং য়োকখৎননবা দিষ্ট্রিক্ট, ষ্টেট অমদি নেসনলগী থাক্তা ৱার্কশোপ, লেকচর অমদি ফেষ্টিভেলশিং পাঙথোকপা হায়নসু অমত্তা য়ানখি। লোয়ননা মীফম্না সংস্কার ভারতি মণিপুর প্রান্টকী চহী ৩গী ওইনা নৌনা থৌ পুগদবশিংসু খনখি।

নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি প্রোফেসর হিজম তোম্বীনা প্রসিদেন্ট, কে সনাথোইবা শর্ম্ম, এম রাধামনি অমসুং এস সচিদানন্দনা ভাইস প্রসিদেন্টশিং, জি বিশেশ্বর শর্ম্মনা জেনরেল সেক্রেটরি, এন রাকেশ অমসুং এস ঐচ অবুং শর্ম্মনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, এল সমরজিৎনা ট্রেজরর, এম রুপশ্রিনা ৱিমেন ইন-চার্জ কম কলচরেল সেক্রেটরি, বেদপতি পাওনমনা পল্লিসিটি সেক্রেটরি, এন সনধ্যারানিনা দান্স ইন-চার্জ, জি অশারানিনা ফোক আর্ট ইন-চার্জ, উর্মিকা মাইবমনা ম্যুজিক ইন-চার্জ, টি শিলানা ঠিএটর ইন-চার্জ, এল উপেন্দ্রো শর্ম্মনা লিটরেচর ইন-চার্জ অমসুং সনাজাওবা তেনশুবমনা পেন্টিং ইন-চার্জনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএন এস): হৌখিবা নবেম্বর ১৮গী নুমীদাংদগী থিবা খঙদনা লৈরক্লবা মতুং নবেম্বর ২১গী অয়ুক পুং ৮ লোম তাবা মতমদা ইম্ফাল অৱাং সেকমাই রিভরগী অৱাং ৱাবগাই মপাদা মীহাৎ থিনা হাৎতোক্তুনা হুন্দাক্লম্বা অৱাং ৱাবগাইদগী সগোলশেম নিলাকান্ত (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা সগোলশেম ওমেনগী অচুম্বা লংলা-লংজিল মরী লৈনবশিংনা পুথোকপীয়ু হায়দুনা অৱাং ৱাবগাই দিভেলপমেন্ট কম্মিটি, মৈরা পায়বী, ক্লবনা পুন্না শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না অৱাং ৱাবগাই দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সগোলশেম নিলাকান্তগী মীশি অসিগা মরী লৈননা জে এ সী অমসু শেমখ্রে। লোয়ননা মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্ত্রিবা ফাওবা মখা তাবা খোঙজং চঙশিন্ননবসু ৱারেপ্পখি। লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা সগোলশেম নিলাকান্তমীশিগী অশেংবা লংলা-লংজিল পুথোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পব্লিক দিস্কসন পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না শীন্দুনা এমসু হেদক্বার্টরগী মল্টিপর্পজ হোলদা ঙসি ট্রান্সপোর্ট ফ্যের হাইক এন্দ গ্রিভান্সেস ওফ ট্রান্সপোর্টরস হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ওপন পব্লিক দিস্কসন অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

at Multipurpose Hall, AMSU H.Q.
Organised by:
ALL MANIPUR STUDENTS' UNION (AMSU)

পব্লিক দিস্কসন অদুগা মরী লৈননা এমসুগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম অথৌবা, এ এম এস এস টি এগী প্রসিদেন্ট মাইবম কেনেদি, এমসুগী এদভাইজর থোকচোম সুরেশ, জে এ সী পি পিগী প্রসিদেন্ট লাইখুরাম সোমোরেন্দ্রো অমসুং বর্মা শুগুনু রোদ বস ওনর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট চনবম ইবোতোম্বীনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদি মণিপুর লৈঙাক্লা কম্মন পব্লিক অমদি ট্রান্সপোর্টরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা অথুবদা রিভাইস রেট ওফ পেসেঞ্জর ফ্যের, ফ্লাইট এন্দ হায়রিং চাজেস ওফ মোটোর ভেহিকলশিংগী লেটেস গেজেট নোটিফিকেসন অমা থোকহন্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসন/য়ুনিয়ন/সোসাইটিশিং অমদি এমসুনা পুন্না তকশিনমিন্নবা, মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা প্রাইভেট স্কুল ট্রান্সপোর্টরশিংগী ইন্সেন্টিভ স্কিম অদু মপুং ফানা বোনাফাইদ ট্রান্সপোর্টরশিংদা ফংহন্নবা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা তকশিনমিন্নবা, য়ুনিফোর্ম শেৎপা অমদি আইদেন্টিটি কার্দ পায়বা মহৈরোয়শিংনা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি চৎপা অমদি হল্লকপগী ফ্যের অসি ট্রান্সপোর্টশিংনা চাদা ৫০ কন্সেসন হান্নগুম্না পীবীবা হায়না য়ানরে। লোয়ননা মথক্কী অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱারেপ অসি থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙম্ননবা জোইন্ট কম্মিটি অমা শেম্বা অমসুং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা থাউগী মমল অসি হন্থহন্ননবা তকশিনমিন্নবা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্লা মতমগা চুনবা ট্রান্সপোর্ট পোলিসী অমা শেম্ননবা পুন্না তকশিনমিন্নবা হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসিনি।

ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন অমসুং আউটরিচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএন এস): রিজনল আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফাল, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীল্লগা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ, থৌবালদা ঙসি নোংমগী ওইবা ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম ওন ১০০ ক্রোর কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন পাঙথোকখ্রে হায়না রিজনল আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফালগী প্রোগ্রাম ইন-চার্জ থোকচোম এন্থোনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরমদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা রিজনল আউটরিচ ব্যুরো ইম্ফালগী হেদ ওফ ওফিস ডা. অরিবম ইবোমচা শর্ম্মনা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবগী চাং অসি খ্বাইদগী নেম্লি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা হাংদোক্লিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংদা চৎতুনা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ শুনা কাপথোকপীয়ু অমদি কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়রশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎপু মায়থীবা পীননবা হোৎনবদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুবু প্রিসাইদ তৌখিবা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ এন জোতিনকুমারনা, মহৈরোয়শিংনসু মখোয়গী ইমুং-মনুংশিং অমদি মরী-মতাশিংদা নীংথিনা ৱারী শাদুনা কোভিদ ভেক্সিনেসনগীদমক পূক্লিং থৌগৎকদবনি হায়খি।

রিছোর্সপার্সন ওইনা থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচানা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী মরুওইবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থমখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ক্যুইজ কন্টেষ্ট অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা কন্টেষ্ট অদুদা মায় পাক্লবশিংদসু সর্টিফিকেট য়াওনা মনা পীখি।

ৱাশক পরৈ হনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মালেমগী অপূনবা মৈতৈ লূপনা পরিং নাইনা চথুরকপা মৈতৈচাশিংগী ৱাশক পরৈ হন্দোকপা থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি লূপ অসিগী মৰূ শঙলেন ওইরিবা কছার, সোনাই, ঝরাগুলনা লূপকী লুচিং পুরেল খুমন চাওবা মৈতৈগী লমজিং মখাদা নৌনা মীওই ৫১ রোম মৈতৈ ঐখোয়গী লাইনিং ইনাৎতা হঞ্জিল্লকপগী ৱাশক পরৈ হনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না মালেমগী অপূনবা মৈতৈ লাইনিং লূপকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা লূপকী লুচিং পুরেল খুমন চাওবনা হৌজিক থোক্লিবা, ওইরিবা অমসুং থোক্লক্কদবশিংগী মরমদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মৈতৈ ঐখোয়গী তোঙান তোঙান্না লৈরিবা লাইনিং লূপশিংগসু পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইনা খুৎশম্ননা চঙশিনমিন্নবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।